**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-04-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২২-০৪-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকপগুম মণিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড আর্থ ডে থৌরম পাঙথোক্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুন্স্বগী থবক চত্থবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি অমসুং খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎলে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকারনা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবা মীয়ামদা কয়া য়ামা ফঙবা ঙমহল্লবগে হায়বসিনা সরকারগী মগুন লেপ্লি।

**------**

**ডে (এল)ঃ** মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকপগুম মণিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড আর্থ ডে থৌরম পাঙথোক্লি। পালন থৌরম অসিগী কুমসি চহীগী হিরমনা ঐখোয়গী শক্তি, ঐখোয়গী গ্রহ হায়বসিনি। চহি খুদিংগী এপ্রিলগী তাং ২২ অসি ৱার্ল্ড আর্থ ডে হায়না পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

ৱার্ল্ড আর্থ ডে থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফালগী ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী কিলোমিতর ১২ শাংবা সাইক্লোথোন অমা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাঙদগী ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরনমেন্টগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, এ.কে সিনহানা লমথাখ্রে।

সাইক্লোথোন অসি রাজ ভবন মমাং ফাওরবা মতুং কৈশামপাৎ, কৈশোমথোং, খাগেমপল্লি, পিশুমথোং, মণিপুর কলেজ, শিংজমৈ সুপর মার্কেট ক্রোসিং ফাওরবা জন্মস্থান, কলিমাই মন্দির, সি.এম. বঙ্গলো, শঞ্জেংথোং, নোংমৈবু, আনন্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুল ফাওরবা মতুং ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি ওফিস য়ৌরগা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জকী ওফিস কমপ্লেক্সতা লোইশিনগনি।

সাইক্লোথোন অসি এসোসিয়েসন ওফ হেলথ কেয়ার প্রোভাইদরস (ইন্দিয়া) মণিপুর চেপ্তর, ইদিটরস গিল্ড মণিপুর, অমজ, মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিয়েসন অমসুং রিভর বেঙ্ক সোসাইতি মণিপুরগা লোয়ননা ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগনা শিনবনি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা কৈরাউ ৱাংখেম খুলগী চীংখোঙদগী মেগজিন য়াওবা সেভেন পোইন্ট সিক্স টু এস.এল.আর রাইফল অমা, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, টেলিস্কোপকা লোয়ননা স্নাইপর রাইফল অমা, মরু য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, রেদিও ৱায়রলেস সেট অমা, বি.পি প্লেট মরি, হেলমেট অমা, অমসুং নোংমৈ মরু য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস স্তেসননা কোনবা য়াঙৌবুং অমসুং টি বোংমোল খুলদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম ফাগৎলে। মদুগী মনুংদা-আই.ঈ.দি মেতল ৱান ফিফটি টু এম এম মরি, আই.ঈ.দি প্লাস্তিক সেভেন্তিসিক্স এম এম ১৮, এ.কে ফোর্তি সভেন য়াওনা খূৎলাই কয়া ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শগোলমাং পুলিস স্তেসননা কোনবা ঙাখাপাৎ এদভেঞ্চর খারোক্তগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অহুম ফারে। মখোয় ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুন্দ্রাকপমদা লৈবা নাওরেম বিরহরি কোলেজ মনাক্তগী মীওই অনি শেলগীদমক নমদু ফাবদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি। মখোয়দগী পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, মোবাইল হেন্দসেট তরুক অমসুং চকা অনি পানবা গারি অনি ফাগৎখি। জিলা অসিগী লম্লাই পুলিস স্তেসননা কোনবা শওম্বুং থোখোঙ অৱাং লৈকাইদগী প্রিপাক্কী মীওই অমা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, হুরানখিবা গারিশিং ফাগৎনবা মণিপুর পুলিসনা অখন্নবা দ্রাইভ চথবদা গারি ১৬ ফাগৎপা ঙম্লে। দ্রাইভ অসিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা গারি ৩৬ তগী তিন্তেট গ্লাসশিং লৌথোকখি।

**রুরেল বেঙ্ক(এল)ঃ** মণিপুর রুরেল বেঙ্কনা দিজিতেল অমসুং শেল থুমগী লমদা মীয়াম্বু কোন্সিন্নবা পান্দমদা লৌখৎপা খোঙথাং অমা ওইনা বেঙ্ক অসিগী ইন্টরনেট বেঙ্কিং সর্ভিসেস হাংদোকখ্রে। খোঙথাং অসিনা খুঙ্গংগী অমসুং অথাপ্পা মফমদা লৈবা কষ্টমরশিংদা বেঙ্কিংগী লমদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর রুরেল বেঙ্ককী চেয়রমেন অবে কুমারনা হায়-খোঙথাং অসি মণিপুর মীয়ামগী অমসুং বেঙ্ক অসিগী ওইনা য়ামা শিংথানিঙাই ওইবা খোঙথাংনি। মসিনা কষ্টমরশিংনা দিজিতেলগী খুত্থাংদা মখোয়গী শেল থুম নিংথিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমগনি।

ইন্টরনেট বেঙ্কিং সর্ভিস অসিগী মখাদা কষ্টমরশিংনা ওনলাইনদা পৈশা থাবা, বিল থিবা, এক্কাউন্ট ষ্টেটমেন্ট য়েংবনচিংবদা হেন্না লাইথোকহল্লগনি।

**ইলেক্সন(এল)ঃ** চহী অসিগী জনুৱারিদা ফোঙখিবা স্পিসিএল সম্মরি রিভিজনদা অরান অহুই কয়া য়াওখি হায়না মরাল শিরিবা অদু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা য়াখিদ্রে। চিফ ইলেক্তোরেল ওফিসর মণিপুরগী চেরোল অমনা হায়-রিপ্রজেন্তেসন ওফ পিপলস এক্ট ১৯৫০ গী সেক্সন ২৪গী মখাদা ইলেক্তোরেল রোল অসিদা শেমদোকবা অহানবা অমসুং অনিশুবা আপিলগী মতম থাবদা অহানবদা আপিল ৮৯ অমসুং অনিশুবদা আপিল ১ খক্তমক লাকখি। ৱাকৎশিং অদু য়েংশিল্লবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসননা ইং ২০২৫ গী জনুৱারিদা ফোঙখিবা স্পিসিএল সম্মরি রিভিজনগী ইলেক্তোরেল রোল অদু চৎনরগনি হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-সরকারনা পায়খৎপা য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবা মীয়ামদা কয়া য়ামা ফঙবা ঙমহল্লবগে হায়বসিনা সরকারগী মগুন লেপ্পা ঙম্মি। নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা ১৭ শুবা সিভিল সর্ভিসেস নুমিৎ থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-মালেম অসিগী খোঙজেল য়াংনা হোংলক্লিবা ফিভম অসি ঐখোয়না কুপা য়েংশিনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-মালেমগী খা থংবা শরুক্তা চিঞ্জাক থকবা ঈশিং অমসু ইনর্জিগী অৱাৎপা চাউনা লৈরি। লাক্লিবা চহীশিংদা ভারতনা ইনর্জি সেক্যুরিতি, ক্লিন ইনর্জি, শান্ন-খোৎনবা অমসুং স্পেসকী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিন্নবা পান্দম থল্লি হায়না শ্রী মোদিনা মখা তাখি।

**নদ্দা ঃ** মীয়ামা হকচাং ফনা লৈননবা লিভর ফনা থম্বা অমসুং তঙাইফদবা তোইনা চ্যেকঅপ তৌবগী হৈনবী থমবা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা আপীল তৌরি।

নিউ দিল্লিদা হকশেল মন্ত্রালয়না শিন্দুনা পাঙথোকপা হেলথ কেম্পতা শরুক য়ারদুনা লিভরবু ফনা থমবা মসিগী মরুওইবশিং পল্লদুনা শ্রী নদ্দানা হায়-লিভর ফৎত্রবদি হকচাং পুম্বা শোকহল্লি। লিভর ফৎত্রবা মতমদা হার্ট দিজিজ, দাইবেতিস, হাইপর টেন্সন অমসুং কেন্সরনচিংবা লায়নাশিং লাকপা য়াই। মন্ত্রিনা ফেত্তি লিভর লায়নাগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা হায়- অফবা চীঞ্জাক চাবগী হৈনবী অমসুং হকচাং ফনা থম্লবদি ফেত্তি লিভরদগী লাইনা ঙাকথোকপা ঙম্মী। কুমশি চহিগী ৱার্ল্ড লিভর ডেগী হিরমনা চীঞ্জাকা হিদাকি হায়বসিনি।

**স্কিল ঃ** কেন্দ্রগী স্কিল দিভলপমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি জায়ন্ট চৌধরিনা এন.এস.দি.সি-টি.দি.ই.য়ু স্কিল সেন্তর হাংদোকখ্রে। গান্ধিনাগরদা লৈবা পন্দিৎ দিন দয়াল ইনর্জি য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখিবা সেন্তর অদু হাংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা লৈবাক অসিগী মহৈতন্সফমশিংদা স্কিল ত্রেনিং য়াওহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোংদোকখি। নহাশিংবু স্মার্ট টেকোলোজিগী মতাংদা অমসুং সেমি কন্দক্তর শাবা, রিন্যুএবল ইনজিগী মতাংদা নিংথিনা খঙহন্নবা মহাকা আপীল তৌরি। সেন্তর অসিনা ওনলাইন অমসুং হাইব্রিদ কোর্স ৪০ ফংহন্নবগী খুদোংচাবা পীরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নেশনেল হেরাল্ড কেসকী মতাংদা বি.জে.পি মচিন থিরে কংগ্রেসপু মীংচৎ থিহন্নবা ইনভেষ্টিগেতিং এজেন্সী শিজিন্নরি হায়বা মেথিউ এন্তোনিগী ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল অমসুং নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোঙলি। পাউ অসি সনালৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, ইচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক, তামেংলোং তাইমস অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

মফম খঙখিদবা নুমিৎ ১৫৩ শুরবা লাইশ্রম কলমবাবুগী লংলা লংজিল মণিপুরগী লৈঙাকা পুথোকপা ঙমখিগদ্রা, কমলবাবুগী লোয়নবীদা জি.ও.সিনা শোইদনা থবক পীবগী ফিভমদা লৈরে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইনা মচু শংদুনা ফোঙলি।

সনাৌবাক পাউচেদা-দিলিমিতেসন তৌবা য়ারোই হায়বগী রিপোর্টশিং য়াওবা বুকলেট ফোঙখ্রে, দিলিমিতেসনগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চংশিন্নবা শেম শারে: লুপ তরুক -হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর স্তাফ সেলেক্সন কম্মিসনগী ৱেবসাইট হাংদোকখ্রে, লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট সেমি-গভর্ণমেন্টকী থবক ত্রান্সপেরেন্ট লৈহনবা ঙম্লগনি: চিফ সেক্রেটরি -হায়বা পাউ ইচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি গানফিউ মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- ঐখোয় ইজৎ লৈনা হিংবা পাম্মী হায়না য়ুম থাদোক্কুনা লাঞ্জেন্নরিবা মৈতৈশিংনা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

থা অনি হেল্লবা প্রসিদেন্ট রুল মখা চখ্থিগদৌরি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সেনাপতিদা ফোঙবা হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিদা মণিপুরদগী কুকি-জোমি অমা অমসুং মাও-নাগাগী মীওই অমা সেক্রেটরি ওইনা হাপখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- কেথলিক পোপ ফ্রান্সিস লৈখিদ্রে, মশাগী চহী ৮৮ শুখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইসরো বেঙ্গলুরুগীদমক মহৈরোই ১৩ না শাবা টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

--পাউ লোইজরে--